HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসনগী রিজনেল ওফিসকী মীৎয়েং মখাদা আইদিএল গর্লস কোলেজ দা লিংজেল সোসল সর্ভিস সোসাইটিনা শীন্দুনা স্বছতা হি সেবাগী মনুং চন্না কলচরেল এব্রেনের্নস থৌরম পাঙথোকপা


লোলনা হোংবসি শিরিবরা, লোলনা লেঙদনা লৈবসি ... লামায় ৪
লামায় ৫ লময়ানবা ইরাবতকা খুইদগী নকুরন্বা পাজি তোম্বা
কনাগুম্বা ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমত্তগা চয়েৎনবা লৈতে... লামায় ৬
লামায় ৭ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেটশিংনা ঈগী মথৌ...
লৌশিং পূক্কে : চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা দাইরিয়া... লামায় ১০
লামায় ১২ এ এফ সী এসিয়ন কপ য়ু-২০ ক্বালিফায়র্স : পাঞ্জল...


হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পাঙথোকখিবা অখন্নবা থৌরম অমদা চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা সফাই কর্ম্মচারিশিংদা এক্সিদেন্ট ইন্সুরেন্সগীদমক সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখিবা




Vol. 48, Issue No. 175 | থাংজ, লাংবনগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, September 28, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## মণিপুর লৈঙাক মনুংদা বি জে পি অমসুং এন পি পি শেৎন-খাইনরদ্রা

# চীফ মিনিষ্টর সংমানা প্রিসাইদ তৌদুনা গুৱাহাটিদা এন পি পি মণিপুরগী এম এল এ ৬ য়াওনা মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল মতুংদা বি জে পিনা লুচিংদুনা লিংলল্লিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা শৌগৎলল্লিবা এম এল এ ৭ লৈরিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) না মে ৩, ২০২৩দগী হৌজিক ফাওবদা খান্নীনবা য়াওদবদগী চথুরল্লিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লাননা ওইহল্লল্লিবা ফীভমশিং অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্তা মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎপা তোল্লগদ্রা হায়বগী মতাংদা লৈখায় তাবা ৱারেপ লৌনবগীদমক গুৱাহাটিদা পার্টি অসিগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নবা হৌখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা, হান্না লেপখিবগী মতুংইন্না ঙসিগী মীফম অদু এন পি পিগী নেসনল প্রিসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা গুৱাহাটিদা লৈবা হোটেল অমদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মমাঙদগী হৌরদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

মীফম অসিদা তদুবী এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিদগী কারকখিবা পার্টি অসিগী এম এল এ, এন কাইসিদি মশা ঙমদবনা মরম ওইরদুনা শরুক য়াখিদ্রবসু পার্টি অসিগী এম এল এ ৬ অমসুং এন পি পি, মণিপুরগী মকোক থোংবা লুচিংবা ওইরিবা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার য়াওনা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ১৫না শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অসিগীদমক পার্টিগী এম এল এ, কে ঐচ লোকেন, আই নলিনি, এম দি নুরুল হাসন অমসুং এম রামেশ্বরদি ঙরাং গুৱাহাটিদা থুংখ্রবনি। অদুগা এম এল এ, টি ঐচ শান্তি অমসুং জাংহেমলুং পানমৈনা ঙসি চৎখিবনি হায়রি।

মতম খরগী মমাঙদা এন পি পি, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী থা ১৬ হেন্না চথুরল্লিবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা য়াওনা এন পি পিগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্তা অকক্লবা ৱাফম খরা থমদুনা লাকখিবনি। এন পি পিগী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা থল্লিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা অকক্লবা মতম ফাওবা পীরকখিবনি হায়রি।

অদুগা করিগুম্বা মতম অদুগী মনুংদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক্তা ওন্থোরক্তবদি বি জে পিনা লুচিংলল্লিবা লৈঙাক অসিদা শৌগৎপা তোল্লগনি হায়বগী ৱাফমসু পার্টি অসিগী লুচিংবা ৱাই জয়কুমারনা পাউজী মীফম অমদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা খক্তা নত্তনা এম এল এ, এম দি নুরুল হাসননসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিবা পার্টিগী থৌপুবশিং অমসুং এম এল এশিংনা মাগী-মাগী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকপদা পার্টি প্রিসিদেন্ট কে সংমানা পুক্নিং চঙনা তাখি। অদুবু পার্টি অসিগী ওইবা অরোইবা ফিরেপ্তি মথং থাগী ৫দা দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা নেসনল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফমদা খন্নরগা লেপথোকপা হায়না য়ানখি হায়রি। নেসনল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফমদা এন পি পিগী মণিপুর য়ুনিটকী এম এল এশিংনা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিদা মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎপা তোল্লগদ্রা হায়বদুগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌরগনি। অদুগা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা পার্টিনা লৌগদবা থৌদাংসু লেপথোল্লগনি হায়রি।

## প্রাইমারি ওজা ১৪২৩ লৌখিবগী ৱাথোক : হায় কোর্টনা ওক্টোবর ৬, ২০১৫দা পীখিবা জজমেন্ট সুপ্রিম কোর্টনা অপহেল্ড তৌখ্রে

### হায় কোর্টকী জজমেন্ট মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্না চয়োল ৪গী মনুংদা 'রিভাইসদ্ সেলেক্ট লিষ্ট' থোক্লবা মতুং চয়োল ৪গী মনুংদা এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং পীনবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ১৮গী মমাঙ সেপ্টেম্বর ১২, ২০০৬তা প্রাইমারি হিন্দি টিচর ২০৩ অমসুং হিন্দি গ্রেজুএট টিচর ৪৬কা লোয়ননা প্রাইমারি টিচর ১৪২৩ লৌননবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এমপ্লোইমেন্ট ওফিসরনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুরনা দিসেম্বর ২২, ২০০৬তা রিটুন টেষ্ট পাঙথোল্লবা মতুং এপ্রিল ১৬, ২০০৭তা চাংয়েং অসিদা কেন্দিদেট ৫৩২২ মায় পাক্লে হায়দুনা বোর্দকী সেক্রেটরিনা রিজল্ট লাউথোকখ্রবা মতুং শোর্ট লিষ্ট তৌরবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্টকী মতুংইন্না ফেব্রুৱারী ৬, ২০০৯দগী চহী অদুগী ওগষ্ট ফাওবা ইন্টরভিয়ু পাঙথোল্লবা মতুংদা লাউথোকখিবা রিজল্টদা হান্না এপ্লিকেসন কৌবদা য়াওখিদবা ও বি সীগী কেটেগোরিদা কেন্দিদেট ২৪২বু কেটেগোরি অসিগী মখাদা খল্লে হায়দুনা লাউথোরকখিবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদগী হৌরক্লগা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া ফাওবা য়ৌনরকখিবা কেস কয়াগী অরোইবা ৱায়েল এপেক্স কোর্টনা পীখ্রে।

থা অসিগী ২৫দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপলোদ তৌরকখিবা পূন্না লমায় ২৬ পানবা সিভিল আপীল ৬, রিট পিটিসন (সিভিল) ৪, এস এল পি ১গী মতাংদা কোর্ট অসিনা পীখিবা জজমেন্টগী লমায় ১৯দা খঙহল্লিবদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ওক্টোবর ৬, ২০১৫দা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৮১৫ ওফ ২০২১ অমসুং রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ১২৭ ওফ ২০১২গীদমক পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু সুপ্রিম কোর্টনা অপহেল্ড তৌরে হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টনা নুমিৎ অসিদা পীরকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা মণিপুর লৈঙাক্কী ইম্ফাল ৱেষ্টকী এমপ্লোইমেন্ট ওফিসরনা সেপ্টেম্বর ১২,

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা ও বি সী কেটেগোরিদা কেন্দিদেট ২৪২বু প্রাইমারি টিচর ওইনা খঞ্জিনখিবা ওর্দর 'ক্বাশ' তৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি

২০০৬তা নোটিফিকেসন থোক্তুনা কৌখিবা পোষ্টশিং অদুদা অহাঙবা প্রাইমারি হিন্দি টিচর ২০৩ অমসুং হিন্দি গ্রেজুএট টিচর ৪৬ য়াওখ্রবসু সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী লৌখৎতুনা ৱায়েল চথবা অমসুং জজমেন্ট অমসুং ওর্দর পীবদি শুপ্নতগী মণিপুর লৈঙাক্না প্রাইমারি টিচর ১৪২৩ লৌখিবা অদুখক্তগীনি হায়নসু ময়েক শেংনা পল্লি।

অদুগা এপেক্স কোর্ট অসিগী অপূনবা লমায় ২৬ পানবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিগী ১৯শুবা লমায়দা হায়রিবনা প্রাইমারি টিচর ১৪২৩ লৌখিবগী লৈঙাক্না থোকপা ওর্দরগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## 'হুইয়েন লানপাউ' গী এদিটর পুলিসনা ফাবগী মায়োক্তা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা এস পি মশা লাক্লবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা চেরোল অমা ইম্ফালদা নুংতিগী অয়ূক অমসুং নুংথিলদা ফোঙবা পাউচে খরা য়াওনা লোকল চেনেলশিংনসু ফোঙনখিবগী মনুং চন্না হুইয়েন লানপাউনসু জন্যুৱারী ৪, ২০২৪গী এদিসনদা 'স্পেসল কম্মান্দোশিংনা মোরেদা থৌনা ফন্না মথৌ পাঙথোক্লবগীদমক নোংমৈ মরূ লিশীং ৫০ পীবিয়ু হায়রক্লে' হায়বা হেদলাইনগী মখাদা চেরোল অদুমক সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরক্লে হায়না ফোঙখিবা পাউ অমগী মায়োক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা পাউচে অসিগী এদিটরবু নুমিৎ অসিমক্কী অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা ফারবা মতুং নুমিৎতুগী অয়ূক পুং ১০.৪৫ তারকপদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবগী মায়োক্তা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী) না লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা পুলিসকী এস পি মশামক মথং থাগী ১১ (ওক্টোবর ১১, ২০২৪) দা কম্মিসননা পীখৎলক্লবা ওর্দর থোক্তুনা খঙহনখিবা রিপোর্টশিংগা লোয়ননা লাক্লবা সম্মন ইস্যু তৌখ্রে হায়রি।

নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা পাউচে অসিগী এদিটর মাইবম ধনবির মীতৈবু পুলিসনা ফাজিনবগী থৌওং অদুবু 'ইল্লিগেল এরেষ্ট' নি হায়রদুনা থৌওং অদুগী মায়োক্তা টামিল নাদুগী মদুরাই দিষ্ট্রিক্টতগী হেনরি টিফেন (৫৫৫, ৱেষ্ট ক্রোস ফোর্থ ষ্ট্রিট, কে কে নগর, মদুরাই) না কমপ্লেন্ট কেস অমা ফাইল তৌখিবনি।

মহাক্কী কমপ্লেন্ট অদু এন ঐচ আর সীনা দাইরি নম্বর ১০৩০৬৩/সী আর/২০২৪ ওইনা রিসিভ তৌখিবগা লোয়ননা কমপ্লেন্ট অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা কম্মিসননা জন্যুৱারী ২১, ২০২৪দা কেস নম্বর ৫/৪/৪/২০২৪ রেজিষ্টর ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ঙসিদগী লানগী থৌদোক থোরক্লবদি সিক্যুরিটি এদভাইজর ১সুং দি জি পিনা তেকচাক পুগদবনি : সুজতা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং দি জি পিনা পোলিটিক্স য়াওগে হায়রবদি পায়রিবা ফমদগী রিজাইন তৌবীরগা তশেংনা পোলিটিক্স ঐচ সুজতানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্না কুকিনা হায়বা ইল্লগা লৈরগে হায়রবদি



য়াওবীয়ু হায়বগা লোয়ননা হয়েং সেপ্টেম্বর ২৮দগী মণিপুরগী মফম অমদা করিগুম্বা লানগী থৌদোকশিং থোরক্লবদি মদুগী তেকচাক সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং দি জি পিনা পুগদবনি হায়না ইমাগী মৈরাগী কনভিনর টি তশেংনা লাউথোকপীরো হায়বগা লোয়ননা ইমাগী মৈরানা ঙসি ফাওবদা লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরক্লি অদুবু সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## খাঙবোক্তা মণিপুরগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা চথুরল্লিবা লানদা মণিপুরগী অপূনবগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোয় তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী অনীরকশুরকপা থৌরম অমা ঙসি খাঙবোক ময়ায় লৈকায়গী লাই হরাওফম লম্পাক্তা পাঙথোক্তুনা ঐখোয় লান অসি করম্না লোইশিনগনি অমদি ঐখোয়গী তৌগদবা ইথৌদাং করিনো হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে।



খাঙবোক জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদু মীয়ামগী খোঙচৎ অমা খাঙবোক পার্ট ৱান লুখোই লম্পাক্তগী হৌরগা খাঙবোক ময়ায় লৈকায় লাই হরাওফম লম্পাক্তা লমথুংফম ওইদুনা চৎখি। শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নখি। অদুগা অখণ্ড অহৈশিংনা মীফমদা শরুক য়াদুনা খন্ন-নৈনবা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

কম্মিটিগী কনভিনর কে ঐচ বিসান মঙাংনা ঙসিগী থৌরম ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ফত্ত-নুংদা থোরক্লবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না তেকচাক পুগদৌরিব্রা : মহেশ্বর



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়ানা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরকপদগী হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী চাউবা থ্রেট অমা ওইরল্লিবা মপান্দগী কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ চঙলকখ্রে হায়রিবা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরক্তুনা ফত্ত ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লান করম্বা মতমদা লোইগনি : রুপচন্দ্র, প্রসিদেন্ট-য়ু পি এফ

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** লান অসি চহী অমগা থা ৪ মপূং ফারে অদুবু লোইশিনবগী মমি উবা ফংদ্রি হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রুপচন্দ্রনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লানসিনা মরম ওইরগা শেল থুমগী ফীভম অসুক্কী মতিক ৱানরে। শুফম নোম্ফম লৈতবা, চৎফম লৈতবা হায়রিবশিং অসিনা কোক্তা খূৎ হাপ্নরে। ইনাকখুনবা, তোলোপ চাবশিংদি হান্নগী হান্না হামু হামুনি। মসিগী ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙলক্তবা হায়বসি মণিপুরগী মীতৈশিং অসি তুম্না মাঙখ্রসনু হায়রিব্রা হংলকখি।

মখোয়না থারকপা সেন্ট্রেল ফোর্স লিশীং ৬০ অসি মীওইবগী পূন্সি অমসুং লন থুম



ঙাক্লবা লাক্লিবা নৎত্রা হংলদুনা মখোয় লৈনা লৈনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈগী য়ুম মৈ থাবা, মীতৈগী খুলশিংদা বোম-নোংমৈ অমসুং রোকেটনচিংবা কাপশিন্দুনা মী হাৎপনচিংবা তৌরল্লিবা অসিদা মীতৈগী খুল ঙাকপশিংনসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ষ্টেট ১সুং নেসনল এৱার্দ ফংদ্রিবা মীওই ত্রেনর ওইহল্লম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ লোয়শঙনা ষ্টেট অমসুং নেসনল এৱার্দ ফংদ্রিবা মীওই অমা দ্রাই ফ্লৱর ত্রেনিং প্রোগ্রামগী ত্রেনর ওইহল্লম্লে হায়না উরিপোক অচোম লৈকায় লেন নম্বর ৫দা লৈবা এম/এস সুসোন ইন্দষ্ট্রিজগী প্রোপ্রাইটর সুনিতা থাংজমনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, ষ্টেট এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা আর্টিষ্ট অমসু নাথৈরল্লগা ওফিসল খরনা লৌতুনরগা ষ্টেট এৱার্দ ফংদ্রিবা মীওই অমবু ত্রেনর ওইহল্লল্লিবা করিগীনো হংখি। থৌওং অসিনা অহিং নুংথিল খায়দনা হোৎনজবদগী এৱার্দ ফংলবা আর্টিষ্ট কয়াগী মহৈবু কাস্থ থাঙ তাদুনা তোল্লগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা ফাওরে হায়খি। পোরোম্পাৎতা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা কোনশিল্লিবা দিভেলপমেন্ট কম্মিস্নর (হেন্দিক্রাফ্ট) কী ওফিসলশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## পূন্না চৎমিন্নবা অমসুং পিছ টোককী প্রোসেস য়াওদে : কে সী পি (তাইবংঙানবা)

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ :** ঙসি নুংথিলগী পাউচে অমদা কে সী পিগী গ্রুপ মঙাগা লৈঙাক্না পিছ টোককীদমক প্রোসেস হৌরে হায়বা হেদ্দিংগী মখাদা কে সী পি (পাইখোম্বা), কে সী পি (পোইরৈ মৈতৈ), কে সী পি (খোইরাংবা), কে সী পি (লময়ানবা খুমন) অমদি কে সী পি (তাইবংঙানবা) হায়না পল্লকখিবশিং অসিদা কে সী পি (তাইবংঙানবা) গ্রুপকা পূন্না চৎমিন্নবা অমদি প্রোসেস অসিদা য়াওবা লৈতে হায়না কে সী পি (তাইবংঙানবা) গ্রুপকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি রিলেসন ওফিসর খোংনাংথাবা মীতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাউ অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না চমন্নবা পোকপীদনবা হায়জরি। গ্রুপ অসি ৱাখল্লোন মান্নবা গ্রুপ খরগা হান্নদগী চৎমিন্নরি অমদি মীদিয়াগী ইচিল ইনাওশিংনসু পাউ ফোঙবা মতমদা চেকশিন্না অশেংবা অচুম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কুকি টেররিষ্টশিংনা সেকমাই অমসুং তাইরেনপোকপীদা কাইহৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনি লেপ্লুরবা মতুং ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.২৫ রোম তারকপদা সেকমাই পি এসনা কোল্লিবা অৱাং সেকমাই মীতৈ খুলশিং তম্না ফাইলেন চীংলোমদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ১০ রোম কাপশিন্দুনা কাইহৌরকখ্রে হায়রি।

মখোয়না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা মফম অদুগী চীংয়াং পরেংদসু অসাম রাইফলস অমদি সী আর পি এফকী পোষ্টশিং লৈরিবনি হায়রি। মরম অসিনা মতৌ করম্না কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা ঙল্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। মখোয়না কাইহৌরকখ্রবসু খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদগী হন্দুনা কাপখিদে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৪০ রোম তারকপদনা লমশাং পি এসনা কোল্লিবা তাইরেনপোকপীদা খুল ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বল্লু লোইতোংবমবু এন্টি মৈতৈ ওই হায়জিন্দুনা লোইশিন্নবা হোৎনবদা পৱার পায়বশিংগী খূৎ য়াওব্রা : লূপ ১৬

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** বল্লু লোইতোংবমবু এন্টি মৈতৈ ওই হায়জিন্দুনা লোইশিন্নবা হোৎনবদা পৱার পায়বশিংগী খূৎ য়াওরব্রা হায়না তোঙান তোঙানবা লূপ ১৬কী প্রসিদেন্ট/সেক্রেটরিশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হংলক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর ওইরিবা মহাকপু হৌজ-হৌজ এন্টি মৈতৈ ওই অমদি কুকিশিংগী মতেং পাংই হায়না মৈতৈ লিপূননা মরাল শীরিবসিগী মতাংদা ৱাফম অসি লূপশিং অসিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা ফোঙদোকপনি হায়রি।

ৱাফমশিং অসি থল্লক্লিবা লূপ ১৬কী মনুংদা য়াওরিবশিংদি অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) গী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি প্রভাবতি, ওল মণিপুর তম্মী চীংগী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট য়াম্বেম মোমোন, নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা নুপী লূপ (নিম্পাল) গী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা) গী প্রসিদেন্ট সাপম বিমোলা, ইরৈবাক ইনাৎ চনুরা লোয়নশিল্লোন (ইচল) গী প্রসিদেন্ট টি ইবোমচা, য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্র, ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রমনি, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট য়ুম্লেম্বম মেন্মা, অপূনবা নুপী লূপ, বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম প্রেমো, মণিপুরী চনুরা লৈশেম মরুপ (মচা লৈমা) গী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু অমুস্না, ইভফমগী সেক্রেটরি ইদিনা য়াইখোম, নেসনল ইন্টিগ্রিটি প্রোটেক্সন কাউন্সিল (নিপকো) গী প্রসিদেন্ট ও প্রেমজিৎ, মপী কাউন্সিলগী সেক্রেটরি জেনরেল মোইরাংথেম নেতাজি, ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এ থোইবা অমসুং কাদাগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রিয়োকুমারনচিংবনি।

লালহৌবগী ঈরাং (আর্মদ কনফ্লিক্ট) লৈবা লমদম ওইবনা কুমজা ১৯৮০গী অঙনবা শরুক্তগী ইরমদম মণিপুরদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া লেপ্তনা থোরকখি। অফস্পাগী মরুমদা লমদমসিগী মমল য়াম্লবা নহা কয়াগী পূন্সি পিখম্নখি। ইচল, ইচে কয়াগী ইকায়খুম্নবা তেমশিংনখি। মতমদুদা মণিপুর মীয়ামগী হিংবগী হক ফংনবগীদমক বল্লু লোইতোংবমনা অকিবা লৈতনা চোংথোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা অফস্পাগী তমথীবা মচৎ শেগাক কায়না খঙহনখি। অফস্পাবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লালহৌবা নমথনবগী মিংদা লমদমসিগী মীয়ামদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা চথুরকখিবা মীওৎ মীনৈ, মীহাৎ মীপুনশিং য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (য়ু এন ঐচ আর সী) দা পুখৎতুনা খঙনহনখি।

...মখা লমায় ৮ কলম ১

## রিমসতা হকচাং কখোকপদা অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** শগোলবন্দ লৌক্রাকপম লৈকায়দগী থোকচোম চন্দ্রসখি, মপুরোইবা কাংজম কুমারগী হকচাং রিমসতা কখোকপদা ইন্সটিট্যুট অসিগী মায়কৈদগী অয়াবা পীরে হায়দুনা টি ঐচ চন্দ্রসখি মশাদা অইবা চেরোল অমা থা অসিগী ২০দা পীরকখ্রে হায়রি।

টি ঐচ চন্দ্রসখিনা মহাক্কী হকচাংবু মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদা ইন্সটিট্যুট অসিগী মেদিকেল এদ্যুকেসন অমসুং রিছর্সকীদমক দিপার্টমেন্ট ওফ এনাটোমিদা দোনেসন তৌগদবনি হায়রি।

রিমসকী মায়কৈদগী মহাকপু দোনর অমনি হায়না শকখঙনবা ৱাল্লেট কার্দ অমসু পীরগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## য়ু এন এল এফ চেন্নদে হায়রদুনা কন্দেম তৌই ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ :** লিয়াংমাই নাগা কাটিমাই রুৱাংদি মণিপুর (এল এন কে আর এম) না ঙসি থোকপা মীদিয়া ষ্টেটমেন্ট অমদা সেকমাইগী এল পি জি গ্যাস প্লান্ট মনাক্তা য়ু এন এল এফনি হায়দুনা শক্তাকচবা নহা অনীনা কংলাতোংবীদগী ৱিলুবৌ মারেনমাইবু তমথীনা ফূ চৈরল্লে হায়না ফোঙদোরকখিবগী মতাংদা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এম শকহেননা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ইন্দিয়াগী প্রোক্সি ৱারনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈ ফূরুপ্পু এটেক তৌহনবদগী থোরল্লিবা এঠনিক টেন্সন অসিগী চৈরক্তা শাশিন্নবা মীওই অনীনা চথরল্লে হায়রিবা থৌওং অসিমক অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## চীফ জষ্টিসনা পর্সনেল এক্সিদেন্ট পোলিসি সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা স্বাছতা হি প্রোগ্রামগী মখাদা সফাই অভিয়ানগী মনুং চন্না ঙসি পাঙথোকখিবা অখন্নবা থৌরম অমদা কোর্ট অসিগী সফাই কর্ম্মচারিশিংদা পর্সনেল এক্সিদেন্ট পোলিসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫